# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 06-07-2025)**

**পুলিস (এল)ঃ** রাজ্য অসিগী চিং অমসুং তম্পাক্কী জিলাশিংগী চিংনবা মফমশিংদা আইন কায়বা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা সেক্যুরিতি ফোর্সকী মায়কৈদগী থিবা হুম্বগী থবক মখা তানা চত্থরি।

পুলিসকী পাউনা হায়-হৌখিবা পুং ২৪ দা তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা থিবা হুম্বগী থবক চত্থবদা টুয়েল্ব বোর রাইফল মরি, কন্ট্রিমেট টুয়েল্ব বোর রাইফল তরুক, মজল লোদেদ রাইফল অনি, পোম্পী মঙা, পোম্পী সেল মঙা, আই.ই.দি. মরি অমসুং গেনেদ মরি ফাগৎপা ঙমখি।

থৌবাল জিলাগী সলুংফম বজার এরিয়াদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা আইননা থিংখ্রবা লালহৌলুপ প্রিপাক (প্রো) গী এক্তিব কেডর নুপী অমা ফারে। মঙোন দগী মোবাইল ফোন অমা অমসুং সিম কার্ড অমা ফাগৎপা ঙমখি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী নাগামপাল এরিয়াদগী প্রিপাক (প্রো) গী এক্তিব কেদর অমসু থা অসিগী মরিদা ফাগৎপা ঙমখি। মীওই অসিদগী মোবাইল ফোন অমা, অধার কার্ড অমা অমসুং শেল খরা ফাগৎপা ঙমখি।

মনিপুর পুলিসনা মোটোর ভেহিকল এক্টকী মতুং ইন্না দ্রাইব চত্থবদা চলান ৮ কত্তুনা শেল ওইনা লুপা লিশিং ৩৪ খোমগৎপা ঙমলে অমদি গাড়ি ১০ দগী টিন্টেদ ফিল্মশিং লৌথোকখি।

**মোদিঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগী লৈবাক মঙাগী খোঙচৎকী মরিশুবা ওইনা ব্রাজিলগী রিওদি জেনেরিওদা থুংখ্রে।

মহাকা মফম অদুদা ব্রিক্সকী ১৭ শুবা অৱাংবা থাক্কী মীফমদা শরুক য়াগনি। মীফম অদুদা শ্রী মোদিনা মালেমগী ওইবা লৈঙাক সাসন, শান্তি অমসুং সুরক্সা, আর্টিফিসিএল ইন্টিলিজেন্সপু দায়ত্ব খঙনা শিজিন্নবা, অইং আশাগী ফিভম,

মালেমগী হকশেল, শেল থুম অমসুং মসিগা মরী লৈনবা ৱাফমশিং য়াওনা মালেমগী মরুওইবা সমস্যা কয়াগী মতাংদা মহাক্কী মোত ফোংদোক্কনি। প্রধান মন্ত্রিনা মীফম য়াওবা লাকপা লুচিংবা কয়াগসু তোঙাননা উন্নরবা য়াই।

শ্রী মোদিনা ব্রাসিলাদসু চৎকনি। মফম অদুদা মহাকা রাস্ত্রপতি-লুইজ ইনাসিও লুলা দা সিলভাগা উন্নদুনা লল্লোন ইতিক, ঙাকশেল, ইনর্জি, স্পেস, টেকোলোজি, লৌউ শিংউ, হকশেল অমসুং মীয়াম মরক্তা তোৎন-তিন্নবা হেনগৎহনবনচিংবা য়াওনা লম কয়াদা মরি হেন্না ফগৎহন্নবগী মতাংদা ৱারী শান্নগনি।

**খোনি ঃ** ঝরখন্দগী রামগর জিলাগী মান্দু ব্লোক্কী মনুং চন্না লৈবা মাহুৱা তুনগ্রীদা ঙরাং কোইলাগী খোনি অমদা নিংখায়রকপদা ননশিনবদগী মীওই মরি শিরে, সেন্ত্রেল কোল ফিল্ড লিমিটেদকী প্রোজেক্টতা আইননা য়াদবা মওংদা কোইলা লৌথোকবা থবক চথরিঙৈদা খুদোংথিবা থৌদোক অদু থোকখিবনি।

মী কনবা কাংবুনা নিংখায়বা অদুদা ননশিনখিবা মীওই তরাগী মনুংদা মীওই তরুক্তি হিংনা কনবা ঙমহৌরে। অশোকপশিং অদু হোস্পিতালদা অরুবা ফিভমদা লৈরি হায়রি।

**অমরনাথঃ** রম্বানগী চন্দরকোদ লেঞ্জরদা অমরনাথ যাত্রাগীদমক চৎপা পহলগাম কনভোইগী ইরোই লোইবা গাড়ি অদুনা স্তারিং ফেল ওইদুনা অতৈ গাড়িশিংদা থেংজিনবদগী যাত্রি ৩৬ অশোক অপন নংলে। অশোকপশিং অদু লায়কন্ননবগীদমক রম্বানগী দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালদা পুখৎখি। মদুগী তুংদা, যাত্রিকশিং অদু অতৈ গাড়িশিংনা অশোয় অঙাম য়াওদনা মখোয়গী পন্থুংফম তমা পুখ্রে।

**লালুঃ** বিহারগী হান্নগী মখ্য মন্ত্রি-লালু প্রসাদ যাদবপু রাস্ত্রিয়া জননতা দল

(আর.জে.দি) গী প্রসিদেন্ট ওইনা থৌ পুরগনি।

মহাকা ফম অসি পায়বা হন্দক্কী অসি থারগা ১৩ রক শুবনি। পাটনাদা পাঙথোকপা আর.জে.দিগী নেসনেল কাউন্সিলগী মীফমদা মহাকপু লম্বা য়াওদনা মীখলদা মায় পাকখিবনি। ইং ১৯৯৭ গী জ্লাই ৫ দা শেমখিবা আর.জে.দি. শেমখিবনি।

**বেঙ্ক ঃ** ভারত অসি মালেমগী ওইনা লৈবাক্কী মীয়ামদা মান্নবা চাংদা শেল থুম নীংথিনা ফংহনদুনা মান্নবা খুন্নাই অমা পুরকবা হোৎনবা লৈবাকশিংগী মনুং চল্লে।

ৱার্ল্ড বেঙ্ককী মতুং ইন্না ভারতকী গীনি ইনদেক্স অসি ২৫.৫ ওইদুনা স্লোভাগ রি-পাব্লিক, স্লোভেনিয়া অমসুং বেলারুসকী মথংদা ভারতনা মালেমগী খ্বাইদগী নীংথিনা মান্নবা খুন্নাই পুরকবা হোৎনবা মরিশুবা লৈবাক ওইরে। গীনি ইনদেক্স অসি ইনকম, লন-থুম নৎত্রগা মসিবু শিজিন্নবগী থৌওং অসি লৈবাক অদুগী য়ুমথোং খুদিংমক্তা থোং মান্ননা চথে হায়বদু খঙনবগী খ্বাইদগী ফরবা থৌওংশিংগী মনুংদা অমনি।

**আমেরিকাঃ** আমেরিকাগী টেক্সাসতা ঈশিং ঈচাও থোকপদগী য়ামদ্রবদা মীওই ২৪ শিরে, মী কয়া থিবা খঙদনা লৈরি।

টেক্সকী গভনর-গ্রেগ এবোট সেন্ট্রেল টেক্সাসকী লৈবাক কয়াদা দিজারস্তর লাউথোকখিবগা লোয়ননা মাঙখিবা মী থিবা অমসুং মী কনবগী থবক অহিং-নুংথিল নায়দনা চত্থগনি হায়রি।

মী কনবা কাংবুনা হৌজিক ফাওবদা মীওই ২০০ হেন্না কনবা ঙমখ্রে। টেক্সাসকী মীওই অয়াম্বা মী কনবগী থবক্তা মায় ওনশিন্নখিবনা লৈবাক অদুগী নীংতম পালন থৌরম পাঙথোক্লরোই হায়রি।

**ফুটবোলঃ** এ.এফ.সি. এসিয়া কপ ক্বালিফয়ারগী পেনলটিমেট মেটচতা ভারতকী নুপী টিমনা থাইলেন্দবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখ্রে। মসিগা লোয়ননা ভারত ওস্ট্রেলিয়াগী সিদনিদা পাঙথোক্কদৌরিবা এ.এফ.সি. এসিয়া কপ-২০২৬ তা য়াওবা য়ারগনি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

কুকি ইনপিনা মখোয়গী এম.এল.এশিং অনৌবা গভরমেন্ট শেন্নকপদা য়াওবা য়ারোই হায়খ্রে হায়বা পাউ, য়ান্নবা ম্যান্মারগী মীওইশিং মিজোরামদা চেনশিল্লকখ্রে হায়বা পাউ অমসুং নীংথিনা মহৈ মশিং তমহল্লু হায়দুনা রেল্লি চৎখ্রে হায়বা পাউ য়াওনা তোঙান তোঙানবা পাউশিংনা ঙসি মনিপুরদা ফোংবা পাউচেশিংগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংনরি।

পাউশিং অসি তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি অমসুং ইংলিস এদিসন, পোকফম, পিপলস ক্রোনিকল, নহারোলগী থৌদাং, সনা লৈবাক অমসুং হুইয়েন লানপাউ পাউচেশিং অসিগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংনরি।

ম্যান্মারদা লালহৌবা মশেল কন্না খুৎ থোকখ্রে, য়ান্নবা ম্যান্মারগী মীওইশিং মিজোরামদা চেনশিল্লকখ্রে হায়বা পাউ য়াওনা সু গ্রুপশিংগা ৰারী শান্নবদা মতম শাংদোকপগী খন্নরবসু লেপবদি লৈত্রি, গ্রাউন্দ রুল অমসুং কেম্পকী মতাংদা খন্নখি হায়বা পাউশিং অসিনা সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি অমসুং ইংলিস এদিসনগী অহানবা লামাইদা তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা অহানবা অমসুং অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

কুকি ইনপিনা মখোয়গী এম.এল.এশিং অনৌবা গভরমেন্ট শেন্নকপদা য়াওবা য়ারোই হায়খ্রে হায়বা পাউ অসি পোকফম পাউচেগী অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। পাউ অসি তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা পিপলস

ক্রোনিকল পাউচেগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

য়ু.পি.পি.কেগী কাদর খরা কেম্পতগী খুৎলায় পুরগা চেনখ্রে হায়না লুপ অসিগী চেয়ারমেননা ফোংদোকখিবা ৱাফমসু পোকফম পাউচেগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

নহারোলগী থৌদাংদা-মনিপুর ক্রাইসিস্টনা চৈথেং ফংলবা মহৈরোইশিংনা দিসটরভেন্স ফ্রি এদুকেসন জোন দিমান্দ তৌদুনা রেল্লি চৎখ্রে হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

দি.সি. শাদুনা শেল দিমান্দ তৌরম্বা মীওই অনি ফারে হায়বা পাউ অমদি মনিপুরদা ইং তপ্পা হনজিল্লকবা সেন্টরনা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং থাগৎনিংঙাইনি হায়না এম.এল.এ. খোমচান্দনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অমসু পাউচে অসিমক্কী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

আই.দি.পিশিংগী খোঙজং হন্দোকখ্রে হায়বা পাউ সনা লৈবাক পাউচেগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

হুইয়েন লানপাউদা-মনিপুরদগী প্রাইম মিনিস্তরগী এসপিরেস্নেল দিষ্ট্রিক্টস প্রোগ্রাম গুরুং চৎকদৌরিব্রা, নরেন্দ্র মোদিনা হেন্না চাউখৎহন্নবা দিষ্ট্রিক্ট ১১২ খনগৎপদা য়াওখিবা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টতদি সোলিদ ৱেষ্ট মেনেজমেন্টকী থবক হোৎনোং হোরক্লে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। য়েলহৌমী মশক খঙদোকপগী বেজ ইয়ার ১৯৫১ ওইগদবনি হায়বা দিমান্দ অহোংবা লৈতে হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিমক্কী অহানবা লামাইদা ফোংলি।